
# হোর্ন খোংবনা করি উৎলি

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**







লমদম অমগী চাওখৎপগী মমিসি লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদুগী ৱাঙাঙ-শঙাঙ, লূ-নানবা, হৌন-লোনচৎ, ফিজেৎ-চাকচা, মথৌ নিংথিনা তৌবা, মতম ঙাক্না চৎপা, ঐগীনি-মীগীনি খঙনা চৎপা, লমদম অদুগী নাট অসিনচিংবা অসিনা উথোকউ হায়বসিদি ময়াম পূন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। পঞ্জরিবা পোৎলমশিং অসিগী মনুংদা ময়াম্না থোইদোক্না খন্নরুদবা অমা হায়রগদি গাড়ী হোর্ন পংখোংদা খোংবগী হৈনবী অসিনি।

লমদম অমা কয়া য়াম্না চাওখৎলি হায়বসি লমদমদুগী মীওইশিং অদুগী ৱাখল্লোল কয়া য়াম্না চাওখৎলে হায়বসিনা লেপ্পী। লোয়নন্না, মীয়াম অদু কয়া য়াম্না চাওখৎলে হায়বা খঙগে হায়রবদি লমদম অদুগী মীওইশিংনা করম্না গাড়ী থৌই অমদি করম্না হোর্ন শীজিন্নৈ হায়বসিনসু ইরায় লায়না উৎথোকই। মসিদি লোৎপা য়াদ্রবা ৱাফমনি। অদুবু, মসিগী মরমদা থোইদোক্না খন্থরুবা তৌদবনা ৱাখল তারে হায়রিবা, লাইরিক-লাইশু হৈরে হায়না লৈরিবা মীওইশিং, ওফিসরশিং, লুচিংবশিং ফাওবা ঙাইঙমদনা হোর্ন পংখোংদা খোংলি লন্বী সরক্তা। অৱাংবা থাক্তা লৈরে, ৱাখল তারে, হৈরে, শিংলে হায়না লৈনরিবা মখোয় ফাওবনা অসুম্না ঙাইঙমদনা হোর্ন খোংলবদি মখোয়গী থাক্তা লৈতবা মীচম মীয়ামদি কমদৌবা, হেন্না খোংবা তাবনি। তশেংবদি হোর্ন খোংবনা থোইদোক্না কান্নবা পুরক্তে মরু ওইবা মফম খরা নত্তনা।

গাড়ীগী হোর্ন খোংবসি চাওখৎপা ৱাৎলিবমখৈ হেন্না হেন্না খোংবা থেংনৈ, মরু ওইনা লম্বী চিনবা টাউন অমদি সিটিদা। অদুবু চাওখৎপা লমদমসিদদি ফনা চিনসনু হোর্ন খোংনদে, ঙাইনৈ তুমিন-তুমিন। ঐহাক্না হায়জরিবসি চাওখৎপা মপাল লমদা চৎপিরুবা ইচিন-ইনাওশিংদি শোয়দনা থেংনরমগনি। মসি হায় হায়দুনা হোর্ন শুকখোং খোংলরোইসি হায়জবদি নৎচদে। হোর্ন খোংবগী মতম, মতাং অমদি মফম লৈ হায়জবনি। ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক অমদি ইন্দিয়াদদি কদাই, হোর্ন খোংবসি লেম্মী অমদি অকন-অথৌনি হায়না খন্নবদৌনা তৌই। টাইৱান্দদি ঐখোয় মীচম্না হোর্ন খোংবদি লায়রদনা অচৌ-অচৌবা পোলিটিকেল লুচিংবশিং, হায়বদি টাইৱানগী প্রসিদেন্ট, প্রেমিয়র, মেয়র অমদি অতৈ লুচিংবশিংনা চৎপদফাও মখোয় মখোয়গী এস্কোর্টশিং অদুনফাওবা হোর্ন খোংবা অমুক্তা তাদ্রি। ঐখোয়গী ইরমদমদদি খিতং চাউবা ওফিসর নৎত্রগা এম এল এ অমা লাক্লদি লোইরে হোর্ন খোংবদা অমুক্তোইবা অচৌবা লাকইহে কায়না য়াম্না উৎচনীংবগী মওংদা হোর্ন খোংবদা নত্তে লম্বীদা চৎলিবা মীয়ামদসু থীনা থীনা চৈবীবা য়াওরিবনি। মসিনা লোইদ্রি। লম্বীদুসু অমুক থিংজিল্লিবনি মখোয় মখোয়গী মরল মথুমগুম। মসিনা অসুক্কী মতিক মীচম মীয়ামদা অকায়বা পী হায়বসিদি মখোয়দি করিসু খন্থরুদব্রা খঙদে। ইরমদম কংলৈপাক্তা খক্তা নত্তে। মসি চাওখৎলবা ইন্দিয়া পূম্বদনি। মসিনা অদুম উৎলে ঐখোয়গী থবক অমদি ৱাখল্লোন।

টাইৱান্দনা হোর্ন খোংবদি ইকায়নৈ, মথৌ তানদে। চাওখৎপা লমশিংদা অয়াম্বনা হোর্ন খোংনদে মরম চাদনা। মাঙদা গাড়ী থৌরিবা অমদি অচৎ-অওকশিংনা করি খন্নখিনি খন্নৈ। ঐহাক্না করিগুম্বা হোর্ন খোংবদা ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমনা করিগী খোংলিনো ঙাইহাক ঙাইরগা লোইরে হায়দুনা ৱারৌই ঐঙোন্দা। ঐহাক্না চহী ১০ হেন্না টাইৱান্দা গাড়ী থৌরকপসি হোর্ন ২০ শুনা খোংলমখিরোই। মসিনা তাকপদি চহী অমদা ঐহাক্না হোর্ন অনীরক ফাও খোংদে, শীজিন্নদে হায়বনি। মসিসু চীংদা থৌবদা অথেকপা লম্বীদা অতোপ্পা মায়োক্লবদগী থৌরকপা কাঙবুনা খঙনবা হায়দুনা খোংবনি। অদুবু টাইৱানগী মীওইশিংদি অমত্তা খোংনদে মসিগী মরমদি লম্বী নাকলদা খিল্লিবা মিংশেল অদুদা লোইনা উনবনা। ঐহাক্না খজিক খোংলুবসিনা ঐহাক্কী ঈদা য়াওরক্লবা ঐখোয় ইরমদমগী হৈনবীদো ওইরম্লে। ঐহাক্না করিগুম্বদা য়াম্না তাঙনা হোর্ন খোংবদা ঐহাক্কী লোয়নবী চনীংলৈমনা ৱারৌনা হোর্ন খোংবগী মথৌ তাদে হায়রিবনি। মহাক্না হায়রিবসিগী ৱাহন্থোক্তি ঙাইবা তম্মু অমদি অতোপ্পনা করি খনখিনি হায়বসু খনবা তম্মু হায়বগী ৱাফমনি।

মালেমগী চাওখৎলবা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়া অসুম চৎলুবা, কোয়বসিদা হোর্ন খোংবগী চৎনবীসি অয়াম্বনা লৈতে, য়ু এস এ নত্তনা। য়ু এস এসিদি তৌনীং তৌনীংবা পংতৌ তৌবা (লিবরেজম) লমনিনা চাওখৎলসু হোর্ন অদুম খোংই, মরুওইনা ঙাইঙমদবা মীওই খরনা গাড়ী য়াম্না চিনবা মতমদা। অদুবু ঐখোয়গী ইরমদম অমদি ইন্দিয়াদা মফম মরাং খঙদনা পংখোংদা খোংবসিদি তৌদে, উদে। য়ুরোপকী লৈবাকশিংদসু হোর্ন খোংবসি তাদে, উদে। এসিয়াদসু, জপান, সাউথ কোরিয়া, টাইৱান, মকাও, সিঙ্গাপোর অমদি টাইৱান্দসু খোংদে। মসিনা তাকপদি মখোয়গী ৱাখল্লোন য়াম্না ৱাংই, ঙাইবগী চৎনবী লৈ অমদি অতোপ্পগীসু খল্লি হায়বনি। টাইৱানসি ইরমদম কংলৈপাক্কুম্বা অমগা মখায়মুক্তং চাউবনি অদুবু মসিদা লৈরিবা মখোঙ মরি পানবা গাড়ী মশীংসি ইরমদমগী অপূনবা মীশিংগী শরুক অনীদগী হেন্না লৈ, হায়বদি লাক্ষ ৭০ হেন্না লৈ। মসিদা মখোঙ অনী পানবা মোটোর সাইকলনচিংবা অসি য়াওদ্রিবনি। মোটোর সাইকল খক্তদা লাক্ষ চাম্মগা য়াংখৈ (মিল্লিয়ন ১৫) হেন্না লৈরিবনি। গাড়ীনে, মোটোর সাইকলশিংনে পূনশিল্লবদি পূন্না লাক্ষ ২২০ (মিল্লিয়ন ২২) ওইরিবনি। টাইৱানগী গাড়ী অমদি টু হুইলরশিং অসি ইরমদমগী মীওই খুদিংমক্তা য়েন্থোকপা তারবদি মী অমমম্না গাড়ী অনী অমদি মোটোর সাইকল ৭১দগী হেন্না ফংবা ঙমগনি, অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। হায়রিবা গাড়ীশিং অমদি মোটোর সাইকলশিং অসিনা করিগুম্বা ইরমদম কংলৈপাক্তা হোর্ন খোংনরিবা অমদি থৌনরিবা অসুম্না খোংনরবদি, থৌনরবদি করি ফীভম ওইগনি। সাউন্দ পোল্যুসন অমদি স্মোক পোল্যুসন খূৎৱাং অমা থোকহনবতা নত্তনা এক্সিদেন্টকী মশীংসু অসুক্কী মতিক ৱাংগনি। অদুবু লাইবক ফবদি পূম্নমক অসি মাগী মাগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌনবনা, থৌনবনা অসুক য়াম্বা গাড়ীশিং অমদি মোটোর সাইকলশিং অসি হোর্ন খোংবা তাদে, তুমিন-তুমিন থৌনৈ। তারিবা মখোল হায়ববু ইঞ্জিন মখোল অদুখক্তনি।

ইরমদমদা অমদি ইন্দিয়াদা হোর্ন পংখোংদা খোংলিবসি ঙাইবগী হৈনবী অমদি অতোপ্পগী খনবগী ৱাখল্লোন লৈতে হায়বদো উৎপনি। ঙাইহাক ঙাইহাক ঙাইনরগা মাগী মাগী মতম য়ৌরগা লোইনা চৎনখিগদবা, থৌনখিগদবা ঙাক্তনি। কনানবু লম্বী ময়ায়দা খামদুনা লৈনীংগদৌরিবনো থবক করিমত্তা লৈতবদৌনা। মী চিনবগী, লম্বী পিকপগী নৎত্রগা ত্রাফিক রুল ইন্নবগী লম্বীদা ঙাইহাক ঙাইহাক লেপ্পবগী ৱানি। মসিদা হেক্তা নংহৌররোই হায়বগী মতাগুম হোর্ন পংখোংদা খোংবদি করিবু কান্নবা পুরক্কদৌরিবনো। কান্নবা পুরকপদি লায়রদনা হেন্নদুম শাওগৎনবা, খৎন-চৈনবনচিংবা, অশোক অপন পুরক্কনি অমদি মতম মাঙহনগনি। মরম চাদনা হোর্ন পংখোংদা খোংবনা সাউন্দ পোল্ল্যুসন ওইহল্লি, খৎন-চৈনবা থোকহল্লি, মতম মাঙহল্লি। পূম্নমক অসি থোকহল্লোইসি হায়রবদি ঐখোয় ঙাইবা তমসি, য়ারিবমখৈ মফম চানা অমদি মায়কৈ চুম্না গাড়ী থৌসি, লম্বীদা চৎলিবা মীয়ামগীসু খনসি অদুগা শা-ঙা, উচেক-ৱায়াগীসু খনবা কাউগুমসি। হোর্ন খোংলগা গাড়ী লৈরে, গাড়ী তোংলে নৎত্রগা অকনবনি কায়না খনবগী ৱাখল্লোন লৈরগদি মদু থাদোকপীয়ু। অদুম্না তৌবদুদি ঐখোয় চাওখৎতে, ৱাখল খন্থদে অমদি ঙাইঙমদে হায়বদু উৎথোকচবনি।

লোইশিল্লকপদা, ঐখোয় ঙাইবগী হৈনবী চৎনবীসি তমশিনসি। ঙাইবা হৈতবদগীনি থোকহন্নীংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লিবা। গাড়ী থৌবদা মায়কৈ চুম্না থৌবা তমসি। য়ারিবমখৈ হোর্ন খোংদবীদা থৌবা তমসি। লম্বী চিনবা মতমদা হোর্ন পংখোংদা খোংজিনবগী মহুত্তা ঙাইহাক ঙাইনদুনা, থৈদোক থৈজিন তৌনদুনা চৎপা, থৌবা তমসি। হোর্ন খোংবনা লম্বী পীরক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোকসি। লম্বী হাঙলবদি মখোয়সু মাঙদা লেপশিল্লোই। ঙাইবা হৈরবদি খুদিংমক নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমগনি, অমসু অমসু মতম হেন্না মাঙনদবীদা পন্থুং য়ৌবা ঙমগনি। ঙাইঙমদনা হেক্লুবা উহৈদি চাবা য়াদনা তোকপনি, ঙাইঙমদনা থাংথরুবা চাক মহাও য়াওনা চাবা য়াদে হায়বা কাউগুমসি। ঙাইবা তমসি ঐখোয়। তশেংবদি হোর্ন খোংবগী হৈনবীসি মাঙদা লম্বী থিংজিনবগী নত্তে, ঙাইবা হৈতবা অমদি ঙাইবগী চৎনবী লৈতবগীনি। লম্বী ময়ায়দা লেপ্পুনা লৈনীংবা কনাসু লৈরম্লোই অঙাও অফৈ নত্তনা। অতোপ্পসু মথৌ লৈরিবা ঙাক্তনি। মখোয়গী পন্থুং য়ৌনবা থৌনরিবা ঙাক্তনি। কনাসু লম্বী ময়ায়দা খামদুনা লৈথোকনীংবা অমদি অতোপ্পদা য়েৎনীংবা য়াওরম্লোই। অমগা অমগা ঙাইনদুনা, থৈদোক থৈজিন তৌনদুনা থৌবগী হৈনবী থম্লসি। ঙাইরবদি ঐখোয় ঐখোয়গী মতমসু য়ৌরক্কনি। অসুম্না ঙাইনরবদি অতোপ্পসু ঈংনা তপ্না থৌগদবা ঙাক্তনি। হোর্ন পংখোং খোংবনা ৱাখল খন্থবা ৱাৎপনি, ঙাইনবগী চৎনবী খঙদবনি অমদি ঐখোয় চাওখৎপা ৱাৎলি হায়বদু উৎলগুমসি। ঙাইবা তম্লসি, য়ারিবমখৈ হোর্ন খোংদনা থৌবা তম্লসি। য়াইফমিন্নরসি। ●

# তুংগী মীরোলগীদমক

**- সোবিতা মোংজম -**

কুমজা ২০১২দা মালেমসে লোইরনি হায়দুনা মীপূম খুদিং য়াম্না কিনখি। অদুবু লাইবক ফবদগী মদুমক্তি থোকখিদ্রে। মসিগী পুরা তায়োন্নবদা চাইনাদা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরসনা নাদুনা শিবা মীগী মশীং ৩,২৪৯ য়ৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা অতৈ অতোপ্পা লমশিংদসু শন্দোরকপগী চাং ৱাংনা লৈবনা মালেমগী মীপূম খুদিংনা চাইনাদা অমদি অতোপ্পা লমশিংগী পাউ তানবগীদমক মীৎ-না শিংনা ঙাইনরিবনি। চাওখৎপা লমদা ওইখিবগী চেকশিন থৌরাং কন্না লৌখৎপদগী শিবগী চাং খরা তপ্পগী ৱাতনি। অসিগুম্বা য়াম্না কিনীংঙাই ওইরবা লায়না অসিনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা হেক য়ৌরকপা মতমদদি মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখিগদগে হায়বা ঙম্বা নত্তে। মীৎনা উবসু নত্তে, লান লাকপনি, বোম-তোপনা পান্দনবা লোৎকদবনি, মদুম তৌরদি হিংগনি হায়বসু নত্তে। কয়াদা শাথী-খ্রবনো ! তপ্না তপ্না ফনা য়াম্না শিখিবা য়াই। নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা শিরগনি খঙলবা মীওইবগী পুন্সিনি। খরা শিখ্রবসু খরদি লৈহৌবা য়াইনা।

থায়না মমাঙঙৈদা লৈবিরম্বা ইপা-ইপু লাইওইখ্রবা মখোয়না তুংগী হৌগৎলক্লিবা মীরোলসিগীদমক পুয়া কয়া ইদুনা থন্বীরম্মী। লৌশিং লৈবা তুংগীদমক খনবা মখোয়না ঐখোয়দা পীরম্লিবা মমল য়াম্লবা খুদোলশিং অসিগী চন্নফম, লৌশিনফম খঙদবা মীওই কয়া লৈতবা নত্তে। ঐখোয়গী থায়নদগী লৈজরক্লবা চৎন-কাঙলোন, থকসি-খাসি, লমচৎ-শাজৎ, মীঙ্গৌ-থাগৌ শাথীনা মরায় চাইথরক্লবা ঐখোয়গী খুন্নাইনি। চিঙ্গাক্কী মপাল তাংদুনা হিংলিবা ঐখোয়না চাহৈদবা, থকহৈদবা, তৌহৈদবা কয়া তৌদুনা, চাদুনা ঐখোয়গী ফজখ্রবা চৎন-কাঙলোন, থৌগল্লোন পূম্নমক তপ্না তপ্না মাঙথরক্লিবা খুদিংমকসিগী মরুদি ঐ-ঐ, ইশা-ইশানা শোয়রকপদগী ইচা-ইশুশিং ওইরিবা হৌগৎলক্লিবা তুংগী খুন্নাইসিগী চারোল-শুরোলদা শোয়গদৌরিবনি।

হৌজিক্তি তুংগীদমক খল্লগা ঐখোয় ৱাখল তাবা মথৌ তারে। চীংদা লৈরিবা চীংমী ইচিন-ইনাওশিং নোংমাইজিং খুদিংগী চর্চতা পুন্দুনা অফ-ফত্ত ৱাতানবা, ধর্ম্ম চাওখৎনবা, চৎন-কাঙলোন (মাগী মাগী ফুরুপ্তুগী) তাকপী-তম্বীবগী মতম, মফম লৈ। মৈতৈ-পাঙল (মুসলিম) ইচিন-ইনাওশিংগীসু ইরাই খুদিংগী মসজিৎতা কাদুনা চীংমী ইচিন ইনাওশিংগী মতৌগুম চপ মান্ননা পাঙথোক্লি। হান্নদগীসু চৎনরকই, হৌজিকসু চৎনরি। মাগী মাগী কাঙলূপকী পাঙ্গল, শক্তি, থৌনা মথৌ শংলি।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংলিবদি, লীলা, দ্রামা, সিনেমা, হরাও কুম্মৈদা থৱায় লুপচরিবা অচৌবা কাঙলূপ্তা লৈবা মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংগী পুন্সি কমদৌবীরিবগে? হরাও কুম্মৈ অমতং থোক্লকপদা নৎত্রগা লীলা, দ্রামা য়েংফমদা, লাই হরাউফমদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবা মীওই কয়ানা পীক থনগনি। খৎন-চৈনা, মীশি-মীনা য়াওরক্কনি, থৌগল্লোন খঙদবা ৱাহৈ-ৱাতা তাবা নুংঙাইতবা কয়া হায়নরক্কনি। মসি পূম্নমকসিগী মরুদি/হৌরকফমদি মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়না মখোয়বু মতম চানা ৱারক-ৱাতেম্বীহৌদবা, থকসি-খাসি, চৎন-লোনচৎ তাকপীহৌদবদগী ঙসিগী থাক অসি য়ৌনা শোকচিল্লকপনি। ফজ-ফজবা পাউতাক কয়া পীদুনা খুন্নাইসিগীদমক ঙমজবা মতেং পাংবীরিবা লীলা, দ্রামা, সিনেমাদা পীরিবা, উৎলিবা ফজবা কয়াদু থৱায় তানা য়েংদুনা লৌশিনবা ঙম্নবা কন্না হোৎনজরিবা পুথোক্লিবা, ইজরিবা মখোয় খুদিংমকপুসু থাগৎপীফম থোকই, য়োক-খৎপীফম থোকই।

থমজনীংবা ৱাফম খরদং সুম পঞ্জরবদা - (১) ঙসি ঙসিমক ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা লুপ্তুনা মাঙখিগদৌরবা ইচাশিং কমদৌনা কলহৌগদগে? মহৈ তম্ফমশিং ছুটি নুমিৎশিংদা মখল মখা কয়াগী কাউন্সেল্লিং পীদুনা অঙাংশিংদা অফবনা করিনো, ফত্তবনা করিনো তাকপীবা, অঙাং ইনখৎলক্লিবা মখোয় খুদিংমক তঙাইফদনা মমা-মপা ওইবশিংনা পুবিদুনা Innovation & Inspirational talk কয়া খঙনবা য়াওহনবীবা, তাহনবীবা মথৌ তারকই। (থা অমদা নোংমাইজিং অমদা ওইরবসু)।

(২) লৈকায় লৈকায়গী নিশাবন্দ-মৈরা পায়বী ইমাশিংনা থাশি/থানিলদা পুনবীরগা মমা ওইবীশিংনা লৌগদবা থৌদাং কয়াগী মরমদা অহল ওইরবী ইমাশিংদগী ৱাখল-লৌশিং তাথোক-তাশিন তৌনবীবা মথৌ তাই। অহল মতম ওইরবী ইমাশিংগী পাউতাক তুংইন্না নৌনা য়ূম্বাল লম্বীদা চঙলক্লিবী ইচা-ইমৌশিংদা য়ূম্বানলোন করিনো, কমদৌনা মচা অফবা ওইনবা হোৎনগনি তাকপীবা কান্নগনি।

৩) মমা-মপা ওইবশিংনা মখল কয়াগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নরবদি মচা কনানা মৱা লৌবীগনি। হায়বা ইন্দবা, হায়না-তান্না য়াদবা মচা হায়বসি ঐ-ঐনা শোয়বদগীনি খন্না ফৎত্রবা হৈনবীশিং থাদোক্লবা হোৎনবগী তঙাইফদবদু নৈনবা/তানবা মথৌ তাই।

৪) লৈকায়গী ক্লবতা নোংমাইজিং ২ দংদি ইনখৎলক্লিবা নুপামচা/নুপীমচাশিং পুনশিল্লগা ঈনাৎকী ওইবা/ত্রেদিসনেল কলচর/চৎন-কাঙলোন, শাজেল, লমচৎ-শাজৎ, লাইনীং-লাইশোনগী মরমদা খন্ন-নৈনদুনা তাকপী তম্বীবা মথৌ তাই।

পূম্নমকসিগী লোইশিল্লকপদা ৱারোইশিন ওইনা থমজনীংবদি চৎখিবা/হৌখিবা লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা ঐখোয়গী মীরোলদা পীবিরম্বা লৌশিংগী পুক্কে, লনগৈ কয়া লেংদনা শাগোন্নদুনা লৈরি। মরম অদুনা হৌরক্লিবা তুংগী মীরোল, ইচা-ইশুশিংগী মফমদা ঐখোয়না অমুক লৌশিং-থৌনা, তৌবা ঙম্বা শক্তি (মতিক-ময়াই) কয়া শীন্নবীরম্বা মতমদু য়ৌরে। ঐখোয়দা শিন্নবীরম্বা খরদুমক তুংগী লাক্কদৌরিবা মীরোল (চারোল শুরোল) দা ইচাশিংনা অমুক শিন্নহৌবা য়ানবা ঐখোয় তোয়না পূনবগী খুদোংচাবা লৌবা তঙাইফদে। অদুনা ঐখোয় কন্না হোৎনমিন্নবা তাই। তল্লি হায়দুনা লৈথোকপা তারবদি উনা-উনা ঐখোয়গী ফুরুপ নোংম-নোংমগী লৈখা তারক্কনি। ঐখোয় থৌনা লৈসি। ইফুরুপ অসিবু কঞ্জনবা, ইরমদম অসিবু ঙাকচনবা, ইচাশিংবু অফবা-অচুম্বা লম্বীদা পুশিন্নবা হোৎনমিন্নরসি। হায়জরিবা/পঞ্জরিবা খরা অসিবু পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনরবদি ঐখোয়গী পাঙ্গল, মতিক-ময়াইতনা ইফুরুপ অসিবু ৱাংনা থাংগৎচবা ঙম্লগনি। ফুরুপ অমবু ৱাংনা থাংগৎনবা হোৎনজবদা হৌজিক্কী মীরোল অসিনা তুংগী লাক্কদৌরিবা মীরোলদা পীরমগদবা অচৌবা খুদোল ওইরগনি। ঐ-ঐগী খক্তা খনবা থাদোক্লগা ফুরুপকী অমদি ইফুরুপসিগী থাক ৱাংনা পুখৎনবা ইরমদম কঞ্জবা, নাট কলচর কঞ্জনবা, ঈয়ান য়াওদনবা পূন্না হোৎনমিন্নরসি। লোয়ননা অখঙ অহৈশিংনসু অমুক্কা হেন্না মখল কয়া থোক্না ইদুনা থন্বীরমসি, মদুনা লেংদবা লন ওইনা হৌরক্কদবা চারোল-শুরোলশিংদা মমল নাইদ্রবা খুদোল ওইনা পীরমসি। ●

ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛ/TRAIN YOUR CHILD BRAIN
MID BRAIN ACTIVATION COURSES
(A Life time gift to your child)
Develop your Child's 6th Sense, Nobody Become A Genius by Luck. We Create Leader for the future Make your Kids the Most 'Unique'.



জপানগী Technology অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়ননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। ঙসি ফাওবদা মীথোই মীহেনবা অঙাং মশীং থিঙমদনা পুথোকখ্রবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকক্লবা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ।

100% Guarranty

Please contact:
Narajit Moirangthem, Midbrain Master
Genius Mind Tech. Imphal
☎ 8787562714 / 9862287481
Website :- www.gmtmanipur.in
Facebook : gmt imphal.
HL-P/6555/5

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➤ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➤ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/6081/25/2to27/3(alt.)

HL-P/6484/23/2-23/3(alt.)
FUSION TUTORIAL CENTRE
Run by a group of CBSE well experienced Senior Teachers
Admission open
CBSE ONLY
6 Months Foundation Course for Class IX, X, XI & XII
CLASS STARTS FROM 8th APRIL 2020
FREE ≫ 15 DAYS BASIC COURSE FOR XI SCIENCE FROM 20 MARCH
Sagolband Moirang Leirak Machin, Imphal West-795 001
4:30pm-7:40pm 9856186685, 9856207116

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।